# প্রাইম মিনিষ্টর মোদি মালেমগী মনুংদা মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াম্না য়াবা লূচিংবা ওইরে

**ন্যু দিল্লি, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ** নরেন্দ্র মোদি হৌজিক মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী চাওবা পোপুলর মেন্দেট ফংলবা লূচিংবা অদু ওইরে।

২০১৪দা ম্যন্মারদা পাংথোকপা এসিয়ন সম্মিটকী নাকনদা মোদিবু উন্নখিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট ওবামানা লাওথোকখি– মীওই অসিনা ঐখোয় পূন্নমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না চাওবা ইলেক্টোরেল ভিক্টরি ফংই। ২০১৯দা মদু অমুক্কা হেন্না চুংলে।

অদুক্কী মতিক কন্না কন্টেষ্ট তৌনখিবা দেমোক্রেটিক সিষ্টেম অমদা অসুক য়াম্না ফজনা মায় পাকপসি মোদিনা অমত্তা ঙাইরবা ৱার্ল্ড লিদরনি। হন্দক্তা পাংথোকখিবা ইজরেলগী অরুবা মীখলদা মহাক মশাগী ৫শুবা তার্মগী রেকোর্দ থমখিবা মহাক্কী মরুপ বেঞ্জামিন নেটান্যাহুনা অপীক–অপীকপা পার্টিশিংগী মতেংগা লোয়ননা সিট ৬৬কী মেজোরিটি অমা ফংনবা ৱানা হোৎনখি।

জপানদা প্রাইম মিনিষ্টর সিনজোট অবেসু য়াম্না ফজনা মীয়াম্না য়াবা লূচীংবনি, অদুবু মহাক্না ফংলিবা মশীংদি থোইদোক্না য়াম্বা নংতে। হন্দক্তা ভোট মশীং য়াম্না ফংলগা মায় পাকখিবা অতোপ্পা অমখক্তা ঙাইরবা লূচিংবদি ইন্দোনেসিয়াগী জোকো ৱিদোদোনি।

অদুবু অতৈ মালেমগী লূচিংবশিংদি মোদিগী অসুগুন্না মফম য়াম্না চেৎপা ওইদে। য়ু কেদা প্রাইম মিনিষ্টর থেরেশা মেগী গভর্ণমেন্টনা মাগী ব্রেক্সিট দিলগী মতাংদা মায়থীরি। ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মানুয়েল মেক্রোন অমসুং জর্মন চান্সেলর এঞ্জেলা মার্কেল, মখোয়গী লৈঙাক লেঙদনা থন্নবদা ৱানা হোৎনরি। টর্কি অমসুং রসিয়াদা মশামক্না অকনবা লচিবশিংনি হায়না খল্লিবা মথংশিংনা রেসেপ এরদোগান অমসুং ৱ্লাদিমির পুটিনসু য়ুমফম য়াম্না চেৎনা উরিবা অদুমক য়ৌনা করিসু য়ুমফম চেৎতে।

দোনাল্ড ট্রম্পসু অপীকপা মেজোরিটি অমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট ওইরি। লৈঙাক্কী সিষ্টেম তোঙাল্লবসু চিনাগী জি জিনপিংনা খন্নবা য়ানা মীয়ামগী শৌগৎপা ফংবা অমত্তা ঙাইরবা অতোপ্পা মালেমগী লূচিবা অদুদি।

লাক্কদৌরিবা থাদা গ্লোবেল গভর্ণনেন্সকী হীরমশিংনা মরুওইনা খন্নগদৌরিবা এস সি ও, জি–২০ অমসুং জি–৭ সম্মিটশিংদা নরেন্দ্র মোদি য়াওগদৌরি। মহাক্কী মমাঙগী তার্মদা ফোরমশিং অসিদগী মোদিনা নাথৈদুনা কৈদৌঙৈদা লৈখিদে।

ইন্দিয়ানা মাঙজিন থাবা পৱার অমা ওইরক্কনি হায়বসি মহাক্না থাজে। লাক্কদৌরিবা চয়োলশিংদা নরেন্দ্র মোদিদগী অনৌবা গ্লোবেল আইদিয়াশিং থোক্লকনি হায়না আশা তৌনরি।



# ফিভম অমত্তদা য়ু এসকা ৱারী শান্নরোই ঃ ইরান

**টেহরান, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ** ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী হকশিং ঈকাই খুন্নদ্রবদি ইরাননা করিগুম্বা ফিভম অমত্তগী মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শানরোই হায়না ওফিসিয়েল অমগী ৱাফম পল্লদুনা ঙরাং ষ্টেট মেদিয়ানা হায়খ্রে।

ঐখোয়না য়াম্না ময়েক শেংনা হায়খ্রে–ঐখোয়গী লৈবাক্কী হকশিং অদু অপেনবা পোক্ত্রিবা মখে, ঙাংলিবা ৱাহৈশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা মখে ঐখোয়গী লম্বী হৌজিক লৈরিবা অসিগা অদুম্মক মান্নবা লৈখিগনি হায়না সুপ্রিম নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিগী ৱাঙাংলোই কিভান খোসরবিনা হায়খি।

মখোয় অদু অমেরিকাগী নাকন্দগী অয়াম্বা ওইরবসু তোঙান তোঙানবা কোনূংশিংদগী ওফিসিয়েল দিলিগেসনশিং টেহরানদা লাক্লি। ঐখোয়না ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী পোলিসিশিংগী মতুং ইন্না ইরানিয়ান নেসনগী মথৌনা–মপাঙ্গল, ৱাখল্লোন অমসুং থিংবা ঙম্বগী লিংজেল অদুগী পাউজেলনা পাউখুম পীখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ওমনগী ফোরেন মিনিষ্টর য়ুসেফ বিন অলাবীনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা টেহরানদা থুংলখ্রে। মদুগী মতূংদা জর্মন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী পোলিটিকেল দাইরেক্টর জেনস প্লোটনর ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা থুংলখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানবু মালেমগী লৈবাকশিংদগী ইন্থোক্তুনা নাইতোম তাহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা জর্মনিগুম্বা লৈবাকশিংনা ইরানগা ৱারী শান্নবা হোৎনরিবশিং অদু তরান্না ওকখি।

মসি ষ্টেট অনীগী মরক্তা অদুমক লৈনবা মহৌশাগী লিচৎনি হায়না ঐখোয়না খল্লি। মরম অদুনা উংখৎনবগী ফিভম হন্থহনবদা তেঙবাংনবা জর্মনিনা হোৎনরিবা অদু ঐখোয়না থাগৎলি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোই মোরগান ওরতাগসনা ৱাসিংটনদা পাউমীশিংদা হায়খি।

ইরাগী নেগোসিয়েটর অমসুং য়ু এসকী নেগোসিয়েটরশিংবু অহৌবগী ৱারী শান্নহন্নবা হোৎনবদা ওমননা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌখি, ৱারী শান্নখিবশিং অদুনা অরোইবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা মালেমগী অচৌবা শক্তি লৈবা লৈবাকশিংগা ২০১৫ ইরান ন্যুক্লিয়ার দিল তৌনবা ঙমহনখি।

অদুবু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ন্যুক্লিয়ার দিল অদুদগী তোকখি অমসুং ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম হন্থহনবগীদমক মহুৎ ওইনা তোকথোকখিবা শেঙ্কসনশিং অমুক হন্না থমজিনখি। মদুগী খুলঙ–লমন ওইনা ইরাননসু ন্যুক্লিয়ার দিল অদুদা মখোয়না পাংথোক্কনি হায়খিবা ফিরেপশিং খরদগী অমুক হন্দোকখি।

ইরাননা হন্দক্তা এনরিচ য়ুরেনিয়ম পুথোকপা হান্নদগী শরুক ৪ হেনগৎখি।



# মীখল মায়থিখ্রবগী তুংদা কোংগ্রেস লূচীংবশিং ফম থাদোক্লখ্রে



**ন্যু দিল্লি, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ** নেসনেল ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা থঙনা–থঙননা অনীরক মায়থিখ্রবগী মতূংদা পার্টি লূচীংবশিং ফম থাদোক্লুরক্লি।

কোংগ্রেসকী উত্তর প্রদেশ প্রসিদেন্ট রাজ বাব্বর য়াওনা ষ্টেট প্রসিদেন্ট ৩না পার্টিনা মায়থিখিবা অদুগী ঙসি ইরাই নুমিৎতা মখোয়গী বোস রাহুল গান্ধীদা ফম থাদোকপগী চেরোলশিং পীশিন্নখ্রে। রাহুল গান্ধী মশামকসু পার্টিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ৱারেপ লৌবগী বোদি ওইরিবা কোংগ্রেস ৱার্কিং কমিটি (সি দবলিয়ু সি)গী মীফম অমদা হয়েং প্রসিদেন্টকী ফমদগী রিজাইন তৌরবা য়ারি।

ভোটরশিং চীংশিনবা ঙমখিদবা কেম্পেন অমা লূচীংখিবা রাহুল গান্ধীনা উত্তর প্রদেশতা গান্ধী ফেমিলিগী অকনবা মফম অমেথি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী স্মৃতি ইরানিগী মখুৎতা মায়থিবা নংখি।

২০১৪দা বি জে পিনা ফংখিবা মশীং অদুদগী অমুক্কা হেন্না পার্টি অসিনা সিট ৩০০ হেন্না ফংখিবদা কোংগ্রেসনা সুপ্নগী ৫২ ফংখি।

কোংগ্রেস পার্টিগী করনাতকা কেম্পেন মেনেজর ঐস কে পাতিল অমসুং উরিষ্যা চীফ নিরঞ্জন পাতনায়কসু রিজাইন তৌখ্রে। করনাতকা অমসুং ওরিষ্যাদা কোংগ্রেস মুৎপগুম থোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশতা জ্যোতিরদিত্যা সিন্দিয়াগা লোয়ননা কেম্পেন তৌবগী থবক শিন্নখিবা রাহুল গান্ধীগী মচননুপী প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রানা ফনা কন্না কেম্পেন তৌদুনসু উত্তর প্রদেশকী সিট ৮০গী মনূংদা কোংগ্রেসনা সুপ্নগী অমখক ফংবা ঙমখি। হায়রিবা অমত্তা ঙাইরবা সিট অদু সোনিয়া গান্ধীগী রাইবরেলিনি।

উত্তর প্রদেশকী মীখলগী ফল অসি উত্তর প্রদেশ কোংগ্রেসকীদমক ৱাখল শোক্লিংঙাইনি। মওং তানা ঐগী থবক পাংথোকখিবগীদমক ঐহাক ইশামক মরান লৈরে খল্লি হায়না ষ্টেট কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট, হান্নগী ফিলম এক্টর রাজ বাব্বরনা হায়খি।

রাহুল গান্ধীনা মায়থিখিবা অমেথি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী অমেথি দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট জোগেন্দ্রা মিশ্রাসু ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রে।

ওরিষ্যা প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটি (ও পি সি সি)গী প্রসিদেন্ট নিরঞ্জন পাতনায়ক্না ষ্টেট অসিদা পার্টিনা মীখল মায়থিখিবা অদুদগী মহাক্কী ফমদগী রিজাইন তৌরে হায়না ঙসি লাওথোকখ্রে।

ওরিষ্যাদা কোংগ্রেসনা লোক সভা সিট অমখক অমসুং এসেমব্লি সিট ৯ ফংখিবদা মিষ্টর পাতনায়ক মশামক এসেমব্লি মীখলদা মায়থিখি।

# গুজারাতকী কোচিং সেন্টরদা মৈ চাকপদা মহৈরোই ১৯শিখ্রে প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থম্মোই শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**সুরাত, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ** গুজরাতকী সুরাততা ঙসি ইরাইগী নুমিৎয়ুংবা মতূংদা কোচিং সেন্টর অমদা মৈ চাক্লকখিবগী থৌদোক অমদা চাক্লিবা মৈ অদুদগী মশা নাম্থোক্লবা বিল্ডিং অদুদগী চোংথরকপদা য়ামদ্রবদা কোচিং ক্লাস অমগী মহৈরোই ১৯ শিখ্রে হায়না গুজরাত দিপুটি চীফ মিনিষ্টর নিতিন পতেলনা ফোঙদোকখ্রে।

মফম অসিদা লৈবা তক্সিলা কমপ্লেক্সকী ৩শুবা অমসুং ৪শুবা ফ্লোরদা মৈ অদু চাক্লকখিবনি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মহৈরোইশিং অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্কী ত্বিটর হেন্দলদা মহাক্না হায়খি, গুজরাততা মৈ চাকপগী অৱাবা থৌদোক অদুনা ঐবু থম্মোয় চাক্না নুংঙাইহন্দ্রে। অৱাবা তাহৌরবা ইমূং–মনূংশিংদা ঐনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। অশোকপশিং থুনা ফবা ওইসনু, অৱাবা তাবা ইমূং–মনূংশিংদা পীবা য়াবা তেংবাং পীনবা গুজরাত গভর্ণমেন্ট অমসুং লোকেল ওথোরিটিজদা খংহনখ্রে হায়খি।

টিভি চেনেলশিংদা থাদোক্লকখিবা ভিজুয়েলশিংদা বিল্ডিং অদুগী ৩শুবা অমসুং ৪শুবা মথোলদগী মহৈরোইশিং চোংথরকপদু উৎলকখি। মৈ মুখৎনবা ফয়ার টেন্দর ১৯ অমসুং হাদ্রোলিক প্লেটফোর্ম ২ শিজিন্নখি হায়না ফায়ার ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

তৌফম খংদ্রবা মহৈরোইশিং অমসুং মথোল ৪ লৈবা বিল্ডিং অদুদা লৈবা অতৈ মীওইশিং কন্নবগী থবক্তা মফম অদুগী মীয়াম্না চংশিন্দুনা তেংবাংবসু টিভি চেন্নেল অদুনা উৎখি। চাক্লিবা মৈ অমসুং মৈখুদগী মখোয় মশামক কঞ্জনবা লৈখাদা চোংথরকখিবা মহৈরোই কয়া রেস্ক্যু তৌখি অমসুং হোস্পিটালদা থাখ্রে। নহা ওইরিবা মহৈরোই খরনা কোচিং ক্লাস অদুগী থোংনাওশিং অদুদগী থোক্লকপা, ৩শুবা অমসুং ৪শুবা মথোনদগী অথাবা মৈখু মরক্তা চোংথরকখিবা অদুসু থৌদোক অদুগী ভিদিও ক্লিপ অমনা উৎখি।



# মার্সতা ৱাটর বোদিশিং ফংলে

**হোষ্টন, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ** মার্স প্লানেট অসি হৌখিবা মতমদা থৱাই পানবা জিবশিং লৈরম্ব্রা হায়বদু খঙবা ঙমহল্লবা য়াবা ফাইন্দিং অমদা সাইন্টিষ্টশিংনা প্লানেট অসিগী লৈখাদা কিলোমিটর ১ হেন্না লুবদা উন মপাকশিংগী মওংদা খ্বাইদগী চাওবা ৱাটর রিজার্ভরশিংগী মনূংদগী অমা ফংখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ এরিজোনাগী সাইন্টিষ্টশিং অদুনা ফংলিবা উনপাকশিং অদু শৌদোকহনবা তারবদি প্লানেট অসিবু ঈশিং লিটর ১.৫না কুপশিনগনি হায়না পারি। মার্সকী লৈখাদা মাইল অমা মখাই ফাউজিনবা ঙম্বা রাদর ৱেবশিং থাদোকপা সোলো রাদরনা ফংবা মিজরমেন্টশিং শিজিন্নদুনা ৱাটর বোদি অদা খংবা ঙমখিবনি

# প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মে ফম থাদোক্লগনি লাওথোকখ্রে



**লন্দন, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ** বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেশা মেনা এম পিশিংবু মাগী ব্রেক্সিট দিল অদু শৌগৎহনবা ঙমদ্রবগী তুংদা মহাক কঞ্জার্ভেটিব লিদর ওইনা জুন ৭তা ফম থাদোক্লগনি হায়না থম্মোই শেক্লা পীবা ৱারোল অমদা ঙসি লাওথোকখ্রে।

ঐহাক্না ব্রেক্সিট (য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী তোক্লকপা) পীবা ঙমলমদবা অসি ঐঙোন্দা মতম পূন্নমক্কী হকচিন্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইদুনা লৈহৌরগনি হায়না ৱাখল নুংঙাইতবদগী থম্মোই শোকপা খোঞ্জেলগা লোয়ননা মাগী দোনিং ষ্ট্রিট রেসিদেন্সকী মপান্দা পীবা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি।

ফম থাদোক্কদৌরিবা অদুনা লিদরসিপ খনবগী মীখল অমগী ফোর্মেল ওইনা হৌবা ওইরগনি মদুগী মতম অদুদা থেরেসা মেনা কিয়ার–টেকর প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা লৈখিগনি।

ঐহাক্না কঞ্জার্ভেটিব অমসুং য়ুনিয়নিষ্ট পার্টিগী লিদর ওইনা ইরাই নুমিৎ জুন ৭তা রিজাইন তৌরগনি। লাক্লিবা চয়োল অসিদা অনৌবা লিদরসিপ খনবগী থবক অদু হৌগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# ইষ্টর বোম্বিং মাষ্টরমাইন্দগা মরীলৈনৈ চিংনবা ৫ ফাখ্রে



**কলম্বো, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ** শ্রী লঙ্কাগী ইস্লামিষ্ট গ্রূপ নেসনেল থোৱাহীদ জমাথ (এন টি জে) অমসুং ইষ্টর সন্দে বোম্বিংশিং অদু থৌরাং তৌখিবা মাষ্টরমাইন্ট ওইরিবা গ্রূপ অসিগী লূচিংবা জহারান কাসিমগা মরীলৈনবনি হায়বা চীংনবা মীওই ৫ ঙসি শ্রী লঙ্কা পুলিসনা ফাখ্রে।

শ্রী লঙ্কা পার্লিয়ামেন্টতা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সিগী মতাংদা ভোট লৌনবদা লোমেকর ২২না শৌগৎখিবা অমসুং তামিল নেসনেল এলায়েন্সকী মেম্বর ৮না মদুগী মায়োক্তা ভোট পীখিবা নুমিৎ অসিদা মীওই ৫ অদু হোরোপাথানা এরিয়াদা ফাখিবনি হায়না দেলি মিররগী পাউনা হায়রি।

মীওই ২৬০ রোম হাৎখিবগী তমথিরবা ইষ্টর সন্দে বোম্বিংশিং অদুগী মতাংদগী থমখিবা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি অদু শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপলা সিরিসেনানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থা অমা শাংদোকখিবনি।

ইমর্জেন্সি লো অদুনা পুলিস অমসুং মিলিটরিবু কোর্ট ওর্দর য়াওদবা চীংনবা মীওইশিং ফাবা, ফাজিন্দুনা থম্বা অমসুং ৱাহং–পাউহং চথবগী শক্তি চাওনা পী। ঙসি ফাখিবা ৫ অদুদি হোরোপথানা দিভিজনেল সেক্রেটেরিয়েটতা এটেচ তৌবা দিভলপমেন্ট ওফিসার ১, মফম অসিগী গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজা ১, কিবুলেকাদাদা অরব স্কুল অমগী ওজা ২ অমসুং কেবিথিগোলেৱাগী মীওই ১নি।

# রেপ কেসশিং শন্তাইননবা মিল্লিয়ন ৪৪গী দিল তৌনখ্রে

**ন্যু য়োক, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ** হোল্লিৱুদতা খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা মীওইশিংগী মনূংদা অমা ওইরিবা প্রদ্যুসর হরভি ৱেনষ্টেইননা রেপ অমসুং সেক্সুয়েল এসোল্ট কেসশিং সন্থাইননবা ভিক্টিম অমসুং ক্রেদিটরশিংগা দোল্লর মিল্লিয়ন ৪৪গী মতম খরগী ওইবা শন্তাইনবগী দিল অমা তৌনখ্রে হায়না ৱাল ষ্ট্রীট জর্নেলনা ঙরাং রিপোর্ট তৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবদি সহি তৌনদ্রিবা দিল অদুনা কনাদা অমসুং য়ুনাইটেদ কিঙদমদা লৈরিবা কেসশিং য়াওনা লৈখা তারবা হোল্লিৱুদ মুগল অসিগী মথক্তা থাংগৎলকপা সিভিল প্রোসিদিং পূন্নমক কোভর তৌনবা পান্দম থল্লি।

মহাক্কী মথক্তা রেপকী মরান শীরক্লিবশিংগী মনূংদা এসলি জুদ, এঞ্জেলিনা জোলি অমসুং সলমান হায়েক কুম্বা শক্লাইরবা এক্ট্রেসশিং য়াওরি।

# এভরেষ্ট চীংদোনদগী কুমথরকপদা ইন্দিয়ান চীংকারোই অহুম শিখ্রে



**কাঠমান্দু, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ** মাউন্ট এভরেষ্টকী চীংমাইদা কুমথরকপদা নুপী ২ য়াওনা ইন্দিয়ান চীংকারোই ৩ মশা চোকথবদগী শিখ্রে হায়না ঙসি নেপালি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। মসি থারগা চহী অসিগী চীং কাবগী মতম অসিদা শিখিবা নৎত্রগা থিবা খংদ্রবা চীংকারোই মশীং ১৫ শুখ্রে।

ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা চীংকারোই ১২০ হেনবনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংদোল কাখি। অদুবু চীংদোল অদুদগী কুমথরকপদা মখোয় কূক–কূক ইন্ননা কারিবা চীংকারোইশিং অদুগী মরক্তা অপনবা থোকখি অমসুং মদুনা মখোয়গী মশা চোকথরকপা অমসুং হকচাংগী ঈশিংগী শরুক ৱাৎলকপদগী শিখি।

পুনেদগী নিহাল অশপক ভগৱান (২৭) অমসুং মুম্বাইদগী অঞ্জলি শরুদ কুলকারনি (৫৪)। মিটর ৮,৮৫০ ৱাংবা চীংদোল অদুদগী কুমথরকপদা শিখি হায়না চীংকারোইশিংগী লোজিষ্টিক্স শিল্লিবা পীক প্রোমোসন হাইকিং এজেন্সিগী কেশব পৌদেলনা হায়খি।

ওরিশাদগী কলপনা দাস (৪৯)সু চীংদোল অদুদগী কুমথরকপদা ঙরাং শিখি অদুবু মহাক শিখিবগী চপ চাবা মরম শেংনা খংদ্রি হায়না নেপালগী টুরিজম দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল অমা ওইরিবা মিরা আচার্য্যানা হায়খি।

ঙরাং শিরিবা ৩ অসি থারগা হৌখিবা চয়োলদা মাউন্ট এভরেষ্টতা শিখিবা নৎত্রগা থিবা খংদবা চীংকারোই মশীং ৬ শুরে। চৎলিবা থা অসিদা লোইগদৌরিবা এভরেষ্ট চীংদোল কাবগী মতম অসিদা মহাক্না চীংকারোই ৩৭৯দা চীং কানবগী পার্মিটশিং পীখি।

# খ্বাইদগী ইনাকখুনবা মীরেপ দিপোজিট মাঙখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ** হন্দক্কী লোক সভা মীখল অদুদা য়াম্না ইনাকখুনবা মীরেপশিংগী মরায়বক অমত্তা মান্নখিদ্রে। মখোয়গী মনূংদা সুপ্নগী ৫ খক্তমক মায় পাকখ্রে, অদুগা ৫ অমনা মায়থিবা নংখ্রে।

অদুবু অমুক্কা হেন্না মীৎয়েং চীংশিননিঙাই ওইরিবদি, ইলেক্সন কমিসন দাটা মতূং ইন্না, লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীরেপ ওইরিবা রমেশ কুমার শর্ম মহাক্কী দিপোজিট মাঙখ্রে।

খ্বাইদগী ইনাক খুনবা কন্টেষ্টেন্ট ১০গী মনূংদা অন্ধ্র প্রদেসতগী ৩, বিহার অমসুং মধ্য প্রদেশতগী অনী–অনী, তামিল নাদু, করনাতকা অমসুং তেলঙ্গনাদগী অমমমনি।

শক্লাইরবা মায় পাক্লবশিংগী মনূংদা মধ্য প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর কমল নাথকী মচানুপা কোংগ্রেসকী নাকুল নাথ য়াওরি। অমরোমদা ইলেক্সন কমিসনগী দাটা মনূং ইন্না চাওনা মায়থিহৌরবা মীরেপশিংগী মনূংদা জ্যোতিরদিত্যা সিন্ধিয়া য়াওরি।

বিহারগী পাতলিপুত্রা পার্লিয়ামেন্টরি সিটতগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অমা ওইনা মীখল থেংনখিবা লৈবাক অসিগী খ্বাইগী ইনাকখুনবা মীরেপ রমেশ চন্দ্র শর্ম মহাক্কী দিপোজিট মাঙখ্রে। মহাক্না সুপ্নগী ভোট ১৫৫৬ খক ফংখিবনি। মহাক্কী মীরেপচেদা শর্মনা লূপা ক্রোর ১১০৭গী এসেটস লাওথোকখিবনি।

লৈবাক অসিগী ৭শুবা খ্বাইদগী ইকাক খুনবা মীরেপ কোংগ্রেসকী উদয় সিংহনা বিহারগী পুরনিয়া সিটতা মায়থিহৌখি। মহাক্না লূপা ক্রোর ৩৪১গী এসেটস লাওথোকখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without*

**Hard Sana Suduku-131**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 1 | | | 5 | | | 3 | |
| | | 5 | 1 | | 3 | | | 6 |
| 4 | | | | 7 | | 5 | 1 | |
| 9 | 3 | | | | 6 | | 5 | |
| | 5 | 7 | | | 4 | | | 3 |
| | 4 | 6 | 5 | | | | | 1 |
| | 7 | | 3 | | | 4 | 6 | |
| 3 | | | 2 | | 5 | | | 7 |
| | | 4 | | 6 | | 3 | | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 05/04/19
Sl. No : 1529
Valid : 03/04/19
Sl. No. : 0893
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 08/04/19
Valid : 02/04/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : Nill
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 18/04/19
Valid : 09/04/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**Misao Gas**
Booking : 06/05/19
Valid : 15/04/19
Stk : 306, 19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**J. Rongmei Indane**
Booking : 09/04/19
Valid : 07/04/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 27/04/19
Valid : 25/04/19
Stk : 270

**Haran Velley, Kwakta**
Booking : 19/04/19
Valid : 12/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.30 a.m.

**Imphal LPG Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19kg-154
Time : From 08.00 a.m.

**R B D Indane**
Booking : 15/04/19
Valid : 05/04/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 08/04/19
Valid : 02/04/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**সনা–সুদোকু – ১৩০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 6 | 4 | 3 | 8 | 1 | 9 | 2 |
| 1 | 9 | 8 | 2 | 5 | 6 | 3 | 4 | 7 |
| 4 | 3 | 2 | 7 | 9 | 1 | 8 | 5 | 6 |
| 9 | 4 | 3 | 1 | 8 | 7 | 2 | 6 | 5 |
| 8 | 2 | 5 | 6 | 4 | 3 | 9 | 7 | 1 |
| 6 | 1 | 7 | 9 | 2 | 5 | 4 | 8 | 3 |
| 5 | 7 | 4 | 3 | 1 | 9 | 6 | 2 | 8 |
| 2 | 8 | 1 | 5 | 6 | 4 | 7 | 3 | 9 |
| 3 | 6 | 9 | 8 | 7 | 2 | 5 | 1 | 4 |